**2023/TDC(CBCS)/EVEN/SEM/ MANSEC–601T/370**

**TDC (CBCS) Even Semester Exam., 2023**

MANIPURI

**( 6th Semester )**

Course No. : MANSEC–601T

**( Manipuri Raas Leela )**

*Full Marks* : 50

*Pass Marks* : 20

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

## SECTION—A

মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিদগী তরামঙাখক্কী **(১৫)** পাউখুম পীয়ু :

১×১৫=১৫

১। রাসলীলা হায়বসি করিনো ?

২। রাসলীলাগী মখল কয়াখক লৈবগে ?

৩। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শ্রীগোবিন্দদা কৎলম্বা রাসবু করি কৌবগে ?

৪। কোনুংগী রাসমণ্ডলদা কনানা রাসেশ্বরী শাদুনা জগোয় রাস কৎখিবগে ?

৫। নুংথিলদা শান্নবা রাসলীলা অমগী মমিং ইয়ু।

৬। রাসলীলা অমসুং নটসংকীর্ত্তনগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অমখক ইয়ু।

৭। ইংলোক ১৭০০দগী হরিসংকীর্তন হায়না কৌরম্বা অদু শীগুং কণ্ঠা মহারাজগী মমা হাকক্কা করি হায়না মীংথোনখি ?

৮। লাংথবাল কুঞ্জবনদা নৃসিংহ মণ্ডানি চুপ্পা রাসলীলা শাহনবদা নট সংকীর্তনগী পুঙ কয়ানা থোক্লি ?

৯। জগোইরাসগী নটসংকীর্তনদা থৌনা রাগ অদুগী মমিং করি কৌই ?

১০। নট সংকীর্তননা মণিপুরী সমাজদা লৌরিবা থৌদাং অমখক ইয়ু।

১১। নট সংকীর্তনদা হৈনারিবা পুঙ অসিগী মমিং করি কৌই ?

১২। করম্বা নিংথৌগী মনা হায়কপা মেইতিংঙু খোংবা থৌখি ?

১৩। করতাল হায়রিবা যন্ত্র অসিগী মওং করম থৌবগে ?

১৪। নট সংকীর্তনদা মন্দিলা হায়রিবা যন্ত্র অসি শীজিন্নরো ?

১৫। 'কৃষ্ণ থিবা' হায়না মতাংসি করম্বা রাসলীলাদা যাওবগে ?

১৬। অভিনয় হায়রগা করিনু খঙনবগে ?

১৭। মণিপুরী জগোইরাসতা চঙবা অভিনয় অমগী মমিং ইয়ু।

১৮। বংদেশপালা অসি মণিপুরদা করম্বা পালা হায়রগা খঙনবগে ?

১৯। ভঙ্গি হায়বসি করিনো ?

২০। "জগোয় রাস অমা কৎপা তারবদি
ভঙ্গি পরেং অসি শাদবা যাদে।"

বাকমসি চুপ্পা নংজগা লানবরা।

২১। 'বৃন্দা' হায়বসি কনাগী মিংনো ?

২২। শরৎ পূর্ণিমাদা শান্নবা রাসলীলাবু করি কৌবগে ?

২৩। জগোয় রাস হৌদ্রিঙৈদা করম্বা সংকীর্ত্তননা হান্না হৌবগে ?

২৪। নট পালাদা শীজিন্নবা পুঙবু করি কৌই।

২৫। জগোয় রাসগী সূত্রনা পায়রিবা যন্ত্র অদুগী মমিং করি কৌই ?

## SECTION—B

মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিদগী **মঙাখক্** খল্লগা পাউখুম পীয়ু : ২×৫=১০

২৬। জগোয় রাস কৎপগী মরম অনীদং ইয়ু।

২৭। রাসলীলাদা অশংবা মচুগী পোৎলোই কনা কনানা শেৎপা য়াবগে ?

২৮। অভিনয় মখল অনীখক্কী মমিং ইয়ু।

২৯। অভিসার হায়বসি করিনো ?

৩০। করতাল হায়বসিগী মওং করম তৌই ?

৩১। অরাংফম ফম্বা হায়রগা কনাবু খঙনবগে ?

৩২। রাসপঞ্চাধ্যায় হায়রগা করিবু খঙবগে ?

৩৩। মতম অয়াম্বদা কৎপা য়াবা রাস অমগী মমিং ইরকউ।

৩৪। নট সংকীর্ত্তনগী কায়াৎশিং অদু করি করিনো ?

৩৫। 'গোপীভাব' হায়রগা করিবু খঙনবগে ?

## SECTION—C

মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিদগী **মঙাখক্** খল্লগা পাউখুম পীয়ু : ৫×৫=২৫

৩৬। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা মতৌ করম্না রাজলীলা কৎখিবগে হায়বদুগী মতাংদা ইরকউ।

৩৭। কুঞ্জরাসকী মরমদা করি খঙবগে?

৩৮। নট সংকীর্ত্তন মখল কয়া শুবগে? অমগী মরমদা ইরকউ।

৩৯। রাসলীলাদা য়ৈরিবা পূঙ অসি কয়াম মরু ওইবগে? শমলপনা ইয়ু।

৪০। জগোয় রাসনা মণিপুরী জাতিবু মশক তাকপদা লৌরিবা থৌদাং অদু নশাগী লোন্দা ইরকউ।

৪১। 'মণিপুরী সমাজদা নট সংকীর্ত্তনগী মফম' হায়বসিগী মতাংদা শমলপনা ইয়ু।

৪২। বসন্ত রাসকী মরমদা শুগায়না ইরকউ।

৪৩। বাচিকভিনয়গী মরমদা শমলপনা ইয়ু।

৪৪। 'অভিনয়' অমসু 'চোলোম' অনী অসি করিদা খেন্নবগে?

৪৫। জগোয় রাসতা চঙলিবা যন্ত্রশিংগী মরমদা শমলপনা ইয়ু।

★★★